# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




মণিপুরগী অনৌবা দি জি পিগী থবক পুনবগীদমক ইম্ফালদা থুংলখিবা মুকেশ সিংহবু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা তরাম্না ওকখিবা


যুবীগী মশিংশিং লৌথোকখিবগী লেমখাক... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ শূমাং লীলাগী খোঙচৎ অমদি হৌজিক

শকখঙদবা কনাবু থিরুবদা ফংগদ্রা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ হায় লেভেল কম্মিটি ওন দেমোগ্রাফিক ...

মথং থাদা য়ুনিয়ন কাউন্সিল ওফ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ কে আর সী ত্রোফিঃ এস আই সী সিঙ্গানা...


চহী বিল্লিয়ন ১২.৬ শুরবা গেলেক্সি অমা পুথোক্তুনা ‘লোক্তাক প্রোটোক্লষ্টর’ হায়না মিংথোনখিবা এষ্ট্রো ফিজিসিষ্ট ডা. রোনাল্ডো লাইশ্রমবু স্মার্ট সিক্যুরিটি সর্ভিসকী সেক্রেটরিনা তরাম্না ওকপা




Vol. 51, Issue No. 67 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | নোংমাইহিং, ইঙাগী থানিল | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, May 31, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## বি জে পিগা লৈঙাক পায়মিন্নরক্লিবা এন পি এফ মরোল থোকপা হৌরক্লে

# পুলিস অমদি সিক্যুরিটিনা চীফ মিনিষ্টরদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট পীদ্রে, থম্মোয় শেংনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে : অৱাংবৌ

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দগী মণিপুরদা লিংলকখিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কা খুৎশম্মনা চৎমিন্নরকখিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) গী হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং সিনিয়র এম এল এ ওইবদা নত্তনা পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা মপান থোক্না পাউমীশিংদা য়ানীংদবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা হৌরক্লে।

মহাক্না হায়, মণিপুরগী পুলিস অমদি সিক্যুরিটিগী মকোক থোংবা ওফিশলশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট পীদ্রে অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা অমদি মীচম মীয়ামগী পুন্সি কনবা হায়বা লেঙফদ্রবা পুলিস অমদি সিক্যুরিটিগী মথৌদাং অসি থম্মোয় শেংনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।



ঙসি লাঙ্গোল তরুংদা লৈবা এন পি এফকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, ঙরাং এফ সী আইগী চেঙ পুদুনা ইম্ফালদগী উখ্রুল তম্না চৎপা গাড়ীদা টি এম কসোম খুলদা নোংমৈনা কাপ্তুনা নিটিশকুমার কৌবা দ্রাইভর অমা লৈখিদবা অমসুং পুলিস কন্সটেবল অমা শোকখিবা থৌদোক অদু এন পি এফনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা মীনুংশি খঙদবা, করিসু মরাল লৈজদবশিংবু হাৎকে খনবা অসি মীওই খুদিংমক্লসু কন্দেম তৌফম থোকই।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৮দা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# খারম ভাইফৈদা কুকি টেররিষ্ট মশেল খূৎ থোক্লখিবগী রিপোর্ট ফংলে খুলগী মী লৈনদ্রবা য়ুম খরা তুম্না মৈ থাদোক্লক্লে

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ১.৫৫ রোম তারকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কাংচুপ পুলিস ষ্টেশনদগী অৱাং-নোংচুপ্তা শুপ্পতগী কিলোমিটর ১০ রোমদমক লাপ্পনা লৈবা খারম ভাইফৈ কুকি খুলদা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং বোম পোকখায়বগী মখোল কয়া তারকপদগী মফম অসিগী অকোয়বদা লৈবা খুলশিংগী খুঞ্জাশিং মীপাইনখ্রে।

থৌদোক অসি থোক্লে হায়বগী পাউ পাউচে অসিনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটি খরদগী কনফার্ম তৌখি। লোয়ননা খুল অসিদা নোংমৈ মরূ কয়া কাপ্পা অমসুং বোম খরা পোকখায়বগী মখোল তাবদা নত্তনা য়ুম মৈ চাকপগী কারকপা মৈখুশিং অকোয়বা খুলগী খুঞ্জাশিংনা উন্নখি।

থৌদোক অসি থোক্লবসু মসিগা মরী লৈননা কাংচুপ পুলিস ষ্টেশনদা কনামত্তনা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট ফাইল তৌরকখিদে অমসুং লৈঙাক্কী হায়র ওথোরিটিদগীসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২



কাংচুপ পি এসনা কোনবা খারম ভাইফৈ খুলদা কুকি খূৎলায় পায়বা মশেল খূৎ থোক্লখিবগা লোয়ননা খুল অসিগী য়ুমশিং মৈ থাখিবা

## ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট মিন ওং লাইং লৈবাকসিদা থুংলরে

**ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী) :**



ম্যান্মারদা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা মায় পাক্তুনা মমাঙ থাদা ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবা মিন ওং লাইংনা মহাক্না ফম অসি পুরকপদগী অহানবা ওইনা লৈবাক অসিদা থুংলরে।

ম্যান্মারদগী অখন্নবা ফ্লাইট অমদা লাকখিবা ম্যান্মারগী প্রসিদেন্টনা ইনি দয়াগী অচৌবা বুদ্ধিষ্ট লাইনীংবশিংগী মফম অমা ওইরিবা বোধ গয়া মনাক্কী গয়া ইন্টরনেশনল এয়রপোর্ট, বিহারদা থুংলবদা লৈবাক অসিগী মায়কৈদগী অৱাংবা থাক্কী ইকায়খুম্ন বা উৎখি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরকপা বাইলেটরেলগী মরীশিং হেন্না কনশিলহন্নবগীদমক হায় লেভেল মীফম পাঙথোক্লবা লাকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক্না কুমজা ২০২১দা ম্যান্মারগী লুচিংবা ওং সান সু চিগী লৈঙাকপু ইন্থুরগা মিলিটরি জুন্টা (হুন্টা) চথুরক্ত্রিঙৈগী মমাঙ কুমজা ২০১৯দা ম্যান্মারগী লান্মীগী মকোক ওইনা লৈবাক অসিদা লাক্লমখ্রবনি।

## মুকেশ সিংহনা দি জি পিগী চার্জ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :**



মণিপুরদা মে ৩,২০২৩দগী কাঙলূপ মশেলগী লান হৌরকখ্রবা মতুং জুন ১,২০২৩দগী ষ্টেট অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## এ দি জি পি ৩গী থবকশিং

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):**

লৈঙাক্কী দি পিনা ঙসি থোকপা ওর্দর অমদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এদিশনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি) অহুমগী ফমশিং হোংদোক-হোংজিন তৌহনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## টোটেল শটদাউন হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):**

থা অসিগী ১৩দা কোটলেন অমসুং কোটজিমদা এম্বুশ তৌদুনা থাদৌ চর্চ লিদর য়াওনা মীচম অহুম হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা মরিবুনা শোকহনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা কুকি ইনপি ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## দ্রাইভরশিংগী প্রোটেষ্ট

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস):**

ঙরাং ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ত্রক দ্রাইভর নিটিশকুমারবু কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ন্যু কৈথেলমানবীদা ত্রক দ্রাইভরশিংনা পেন্দবা খোল্লাওশিং লাউখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মণিপুর ৩ থোক্না কায়বগুম্লে : এম পি বিমোল

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :**



লমদম অমদা পুলিসকী পৱার লৈরক্তবা লোয়ননা শেন্মীৎলোন শোকচিল্লক্লবা অমদি খুন্নাই অমদা লৈগদবা নাৎ/দিসিপ্লিন হায়রিবা অহুম অসিনা মাঙশিল্লকপা হায়বসি খুন্নাই অদু কায়রে হায়বগী অচৌবা খুদমনি হায়রদুনা ফীভম অসি মণিপুরদা চপ চানা থোক্লে অমসুং ষ্টেট অসি মচেৎ তানা কায়বগুম্লে। মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মতম ওইরে হায়না কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ), থৌবালগী মখাদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী ক্ষেত্রি লৈকায় রাইজিং ক্লব (কে আর সী) না শীন্দুনা অপূনবা টিম ৩৫বু গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোল্লগা ক্ষেত্রি লৈকায় হাওতাবী লম্পাক্তা মমাঙ থাগী ৩দগী চথুরকখিবা অহানবা কে আর সী ত্রোফি২০২৬ (অন্দর-১৭) নাইন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম পিনা মখা তানা হায়, মে ৩,২০২৩দগী হৌরক্লিবা ঈরাং অসি মপাম্থোংদা তপথবা-ঈংথবা মাল্লবসু হৌজিক্তি খম থেংনা অরুবা ফীভম য়ৌরে। ইরমদমসিবু শরুক অহুম থোক্না খায়দোল্লগা পোরম মপুং ফানা চথুরক্লে। তম্পাক্কী ফূরুপশিং খৎনবা লোইরবা মতুংদা চীংগী ফূরুপশিংদসু খায়দোক্লবগী পোরমশিং মপান থোক্না চথুরক্লে। লৈবাক অমগী লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# কম্মিশন ওফ ইনক্কারিগী চ্যেরপর্সননা লুচিংবা টিম্না রিলিফ কেম্প য়েংশিনখ্রে, চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখ্রে

**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :**




মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লানগী মতাংদা থিজিন্নবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শেমখিবা কম্মিশন ওফ ইনক্কারি (মণিপুর ভাইওলেন্স) ২০২৩গী অনৌবা চ্যেরপর্সন জষ্টিস বি এস চৌহাননা লুচিংবা কম্মিশন অসিগী মেম্বর অনীনা ঙরাংদগী হৌরগা ষ্টেট অসিদা লৈরকখিবগা লোয়ননা ঙসি চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোর্ব্বুংদা হাংবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা মফম অসিদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে।

ৱাথোক অসিগী হৌরকফম চপ চানা খঙনবগী পান্দমদা ঙসি চৎখিবা খোঙচৎতা কম্মিশন অসিগী সেক্রেটরি মোহনলাল মিনা (আই এ এস) অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হোম) অশোককুমারসু শরুক য়াখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ফূরুপ পূম্নমক চাওখৎমিন্নরবা মতমদা মণিপুর চাওখৎকদবনি : চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দ



**ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈমিন্নরক্লিবা ফূরুপ ৩৬ থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নরবা মতমদা মণিপুর চাওখৎপা ঙমগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি হোটেল ইম্ফালদা ‘বিরশা লাইভস ইন ন্যু ভারত’ কী মনুং চন্না লৈঙাক্কী ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলসনা জনজাতিয়া গরিমা উৎসব ২০২৬কী মখাদা শিন্দুনা হোটেল অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা পোষ্ট মেট্রিক স্কোলরশিপ (সেদ্যুল্ড ত্রাইব) কী বেনিফিসরিশিংগা অখন্ননা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্টিভ সেশনদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, পোষ্ট মেট্রিক স্কোলরশিপ অসিগী পান্দমদি ফূরুপ পূম্নমকপু চপ মান্ননা অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপনি। ঙসিগী থৌরম অসিনা লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল মীয়ামগী য়াইফনবা অমসুং মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনরম্বা লুচিংবা বিরশা মুন্দানা লৌরম্বা থৌদাংশিংবুসু ইকায়খুম্নরিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১


RAJ MEDICITY
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004
JAS-ANZ
IAF
An ISO 9001:2015 Certified Multi-speciality Hospital

RM/H-17-Adv/2026/03

POST VACANCY

Date: 30th May, 2026

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | Vacancy | Pay Band |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Nursing Officer (ETU, ICCU, OT, & POC) | GNM & above | Min. 4 Years | 7 | 10988-1382-17898 |
| 2. | Junior Nursing Officer (ETU, ICCU, OT, & POC) | GNM & above | Min. 1 Year | 13 | 9586-1202-15396 |

Interested candidate can submit their resume and all the relevant documents to the HR Department.
Last date of form submission is 6th June, 2026 upto 4:00 p.m.

Only Shortlisted Candidate will be called for Personal Interview

Website: www.rajmedicity.com North A.O.C, Imphal West-795001, Manipur, India.

HL-B/11389/31





MEDIATION FOR THE NATION 2.0

Building Harmony • Resolving Disputes • Strengthening Nation

CAMPAIGN STARTED FROM 2ND OF JANUARY 2026

CATEGORIES OF CASES THAT COULD BE SETTLED IN THIS CAMPAIGN INCLUDES:

- Matrimonial Dispute Cases
- Accident Claim Cases
- Domestic Violence Cases
- Cheque Bounce Cases
- Commercial Dispute Cases
- Service Matters Cases
- Criminal Compoundable Cases
- Consumer Dispute Cases
- Debt Recovery Cases
- Partition Cases
- Eviction Cases
- Land Aquisition Cases
- Other Suitable Civil Cases
- Matrimonial cases except Divorce

CHOOSE MEDIATION.
CHOOSE PEACE.
CHOOSE PROGRESS.

ORGANISED BY:
High Court of Manipur
& Manipur State Legal Services Authority

under the aegis of
Mediation & Conciliation Project Committee (MCPC)
Supreme Court of India.

FOR FURTHER INFORMATION CONTACT:
The Office of:
Manipur State Legal Services Authority
ADR Building, Lamphel Courts
Complex, Lamphelpat
Imphal West
Mobile No. 9245049660

LESS ADVERSE THAN LITIGATION | LESS COSTLY THAN LITIGATION | LESS TIME CONSUMING | MORE SATISFACTION LASTING RELATIONSHIPS

Issued in public interest by:
Member Secretary
Manipur State Legal Services Authority

HL-B/11388/3185